ইহান হানবা খুৎশেমগী ক্লাইমেট চেঞ্জ চহী ১১,৫০০ গী মমাঙদা থোকখি : টেল অভিভ য়ুনিভর্সিটি ষ্টদি

ঈশিং নুংশিৎকী ফীভমদা শাগৎপা হেনগৎলকপগী মওং অমা লৈরিবসি হৌখিবা চহীচা অসিদা মীওইবনা তৌবা থবক থৌরমশিংনা থোকহল্লিবনি হায়বসি ক্লাইমেটকী সাইন্টিষ্ট অয়াম্বনা য়ানবা ৱাফম অমনি। তৌইগুম্বসুং টেল অভিভ য়ুনিভর্সিটিগী অনৌবা ষ্টদি অমনা চহী ১১,৫০০ গী মমাঙদগী মীওইবনা খ্বাইদগী হান্না ক্লাইমেট চেঞ্জ থোকহনবা হৌখি হায়বগী জিওলোজিগী মরমশিং থেংনরে হায়রি। দেদ সিদগী লৌবা কোর সেম্পল অমগী মনুংদা রিছার্সরশিংনা বেসিনগুম্না পাক চাউবা হামজিনবগী ফীভম (ইরোজনশিং) থেংনখি। মদু মতমদুগী টেক্টোনিক অমসুং ক্লাইমেট রেজিমশিংগা চানদবা মওংগী চাংদা হামজিনবগী ফীভমনি। ‘মীওইবনা নেচরেল ইনভাইরনমেন্টদা পীবা চৈথেংনা প্লানেট অপূম্বা অসিবু খুদোংথিবা মায়োক্নহল্লে’ হায়না রিছার্স টিম অদুবু লুচিংখিবা টি এ য়ুগী স্কুল ওফ জিওসাইন্সকী মকোক প্রোফেসর সম্যুঅল মার্কোনা ফোঙদোকখি। ‘মরম অদুনা ফন্দামেন্টেল প্রোসেসশিং অসি খঙবগী তঙাইফদবা লৈ। ঐখোয়না থেংনরিবা অসিনা আর্থকী জিওলোজি অমসুং ইকোসিষ্টেমশিংদা মীওইবনা চৈথেং পীবা হৌবগী ক্বান্টিটেটিভ এসেসমেন্ট অমা পীরি।’ ষ্টদি অদুগী রিজল্টশিংদু গ্লোবল অমসুং প্লানেটরি চেঞ্জদা ফোঙখি।

রিছার্স অদু টি এ য়ুগী পোষ্ট দোক্টরেট মহৈরোয় ডা. য়িন লিনা হাইফা য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর দানি নাদেল অমসুং প্রোফেসর নিকোলাস ৱাল্ডমেনগা খুৎশম্নদা পাঙথোকখিবনি। মদু দেদ সিদা পাইখৎপা লুথনা হুৎথবগী প্রোজেক্ট (জেদ সি দীপ ড্রিলিং প্রোজেক্ট) অমগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবনি। প্রোজেক্ট অদুদা দেদ সিগী বেসিন্দা তৌথবদা ফুট ১,৫০০ লুবা ড্রিল কোর অমা শীজিন্নখি। মদুদা ফংলিবা কোর সেম্পল অদুনা চহী ২২০,০০০ মমাঙগী সেদিমেন্ট রেকোর্দ অমা টিম অদুদা পীখি। নৌনা থেংনরিবা ইরোজন অদু নিওলিথিক রেভোলুসন মনুংদা থোকখিবনি। মদু মীওইবগী শা তানবা অমসুং তঙাইফদবা পোৎলমশিং কোয়থি থিরগা খুনবগী কলচরশিংদগী লৌউ-শিংউ অমসুং সেট্টলমেন্টদা চাউনা হোংলকখিবা ফীভম অমনি। অহোংবা অসিনা প্লানেট অসিদা মীওইবগী মশীং খঙয়াম য়ামখৎহল্লকখি। মহৌশাদগী লৈরক্লবা উ-ৰা পান্থীশিংগী মহুৎতা মীওইবনা শীজিন্ননবা মহৈ-মরোংশিং লাকখি, শা-ষণশিং য়োক্লরকখি। শা-ষণশিংগী শজিক নৎত্রগা চাক্তাফম পীবনা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা উ-ৰা পান্থীশিংগী মফমশিং হন্থহনখি, উমং ৱামং কোকথোক্লগা শজিক ফংফম লম্পাকশিং শেল্লকখি। খুদিংমকসিনা লৈমায়দা ইরোজন অমসুং সেদিমেন্টেসন হেনগৎহনখি। মসিমক ঐখোয়না দেদ সিগী কোর সেম্পলদা থেংনখি হায়না প্রোফেসার মার্কোনা হায়খি।

দেদ সিগী ড্রেনেজ বেসিননা অরুবা বেসিন্দা থোক্লিবা সেদিমেন্টেসনগী খোঙজেলশিংগা (রেটস) ক্লাইমেট চেঞ্জ, টেক্তোনিক্স অমসুং লেন্দস্কেপতা মীওইবনা পীবা চৈথেংশিংগা করম্না মরী লৈনবগে হায়বদু খঙনবগী মহৌশাগী লেবোরেটরি অমা পীরি। ‘ঐখোয়না মতম মতমগী ঈশিং ঈচাওশিংনা দেদ সিদা অকূপ্পা লৈঙোই পুশিনবগী চাং শরুক অহুম হেনগৎপগী মওং অমা খঙবা ঙমখি’ হায়না প্রোফেসার মার্কোনা ফোঙদোকখি। ‘ইরোজন হেনগৎলিবসি জিওলোজিগী হৌজিক লৈরিবা মতম হায়বদি হোলোসিনগী মনুংদা থোকপা টেক্তোনিক অমসুং প্লাইমেটিক রেজিমশিংগা চান্নদে। মসিগী জিওলোজিকেল ইপোক অসি মমাঙগী জিওলোজিকেল ইপোক ক্লাইতোসিনগী মতুং চহী ১১,৭০০ গী মমাঙদা হৌখিবনি।’

রিছার্সশিংনা হৌজিক চপ মান্নবা ড্রিল কোর অদুদগী আর্থ ক্বেকশিংগী রেকোর্দ লৌনবগী প্রোসেস চথদুনা লৈরি।

মালেমগী অঙকপশিং

বর্মুদা ট্রাইএঙ্গল



দেবিল’স ট্রাইএঙ্গল হায়নসু খঙনবা বর্মুদা ট্রাইএঙ্গল অসি নোর্থ এটলান্টিক ওসীনগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈ। মফমদুদা এয়রক্রাফট অমদি জহাজ কয়া য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা মাঙবগী থৌদোক থোকখ্রে। য়ু এস নেভীগী মতুং ইন্নদি ট্রাইএঙ্গল অসি লৈতে হায়রি। য়ু এস বোর্দ ওন জিওগ্রাফিক নেম্সনসু বর্মুদা ট্রাইএঙ্গল রেকগনাইজ তৌদে।

মসি ফনা ওইদুনসু তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদগীদি য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা এরোপ্লেন অমসুং জহাজ কয়া বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলদা মাঙখিবগী রিপোর্ট তৌরকখি। অমরোমদা ৱর্ল্ড ৱাইদ ফন্দ ফোর নেচরনা কুমজা ২০১৩ দা মালেমগী খ্বাইদগী খুদোংথি-নিংঙাই ওইবা মফম ১০ খনগৎপদা বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলগী মমিং য়াওরকখিদে।

কুমজা ১৯৬৪ দা ভিন্সেন্ট গাদিসনা ইহান-হানবা ওইনা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না ট্রাইএঙ্গল অসি ফ্লোরিদা পেনিন্সুলাগী মাইয়ামি, প্যুরটো রিকোগী সেন জুৱন অমসুং মিদ-এটলান্টিক আইলেন্দ বর্মুদাগী তাইনফমদা লৈ হায়রি। অদুবু অতোপ্পা মীওইশিংনদি খরা খজিক খেন্নবা মোত পীরকখি। ট্রাইএঙ্গল অসিগী পাক চাউবা এরিয়া স্কৱার কিলোমিটর ১,৩০০,০০০ দগী ৩,৯০০,০০০ (স্কৱার মাইল ৫০০,০০০ দগী ১,৫১০,০০০) ফাওবনি হায়না ফোঙদোক্লরকখি। হায়নরিবা মফম অসি মালেমদা জহাজ খ্বাইদগী য়াম্না হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌরিবা মফমনি। নুমিৎ খুদিংগী মফম অসি ফাওরগা জহাজ কয়া অমেরিকা, য়ুরোপ অমদি কেরিবিয়ন আইলেন্দশিংদা চৎলিবনি। মসিগীসু মথক্তা কর্মসিয়ল অমদি প্রাইভেট এয়রক্রাফট কয়া মফম অসি লাল্লগা নুমিৎ খুদিংগী ফ্লোরিদা, কেরিবিয়ন অমদি সাউথ অমেরিকা তন্না পাইরিবনি।

খ্বাইদগী ইহান-হানবা ওইনা বর্মুদা এরিয়াদা য়াম্না অঙকপা মওংদা এরোপ্লেন মাঙখিবগী থৌদোক অমা কুমজা ১৯৫০ গী সেপ্টেম্বর ১৭ তা এদৱার্দ ভেন ৱিঙ্কল জোন্সনা মাইয়ামি হেরাল্দ দা ফোঙলকখি। চহী অমরোম লৈরগা জোর্জ এক্স সেন্দনা তোঙান-তোঙানবা প্লেন কয়া মাঙখিবগী রিপোর্টসু ফোঙলকখি। মদুগী মনুংদা ফ্লাইট ১৯, অমসুং য়ু এস নেভীগী টি বি এস এভেঞ্চর বোম্মর মঙা মাঙখিবগী ৱাফম য়াওরি। সুপরনেচরেল পৱর অমনা মরম ওইরদুনা এরোপ্লেন অমদি জহাজশিং মাঙখিবনি হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, এরিজোনা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী রিসর্চ লাইব্রেরিয়ন অমসুং “বর্মুদা ট্রাইএঙ্গল মিষ্টরি : সোল্ভদ” ইখিবা লোরেন্স দেবিদনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না এরোপ্লেন অমসুং জহাজ মাঙখিবগী থৌদোকশিং হেঞ্জিন্না হায়জিন্দুনা বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলবু অঙকপা অমা ওইনা উহল্লে হায়রি। মহাক্না হায়খি মদুদি অতোপ্পা মফমদা থোকখিবা থৌদোকশিংবুসু বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলগা মরী লৈনহন্নবা হোৎনবা য়াওরে। নোংলৈ-নুংশিৎ তোয়না থোক্কনবা মফম ওইবগী জহাজ অমদি এরোপ্লেন খরা কায়খিবগী ৱাদনি বর্মুদা ট্রাইএঙ্গল নত্তবা অতৈ অতোপ্পা মফম কয়াদসু হায়রিবা থৌদোকশিং অদুমক থোক্লি। বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলগী অঙকপা অসি তশেংনা শুংলৈ লৈতবা পোৎশক অমদা শেমজিন-শাজিন্দুনা মীয়ামবু অঙকপা পোকহন্নবা হোৎনবা থৌওংনি হায়রি।

মতৌ অসুম্না বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলগী অঙকপা থৌওংশিংগী মরমদা য়ানিংবা অমসুং য়ানিংদবা মীওই কাঙলূপ অনী থোরকখি। য়ানিংবা কাঙবুদি সুপরনেচরেল পৱর অমনা বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলদা অঙক-অঙকপা থৌদোক কয়া থোকহনবনি হায়না ক্লেম তৌরি। অননোন ফ্রাইয়িং ওবজেক্ট (য়ু এফ ও) গুম্বা মতীক-ময়াই কনবা অপাইবা পোৎশক অমনা অঙকপা থৌদোকশিং থোকহনবনি হায়নসু ক্লেম তৌরি। ৱাফম অসিবু শৌগৎপা ওইনা মমিং চৎলবা ফিল্ম পুথোকপা ষ্টিফন স্পিলবর্গনা “ক্লোজ এনকাউন্টর ওফ দ থর্দ কাইন্দ” কৌবা য়ু এফ ও দা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম অমা পুথোকখি।

থিওরি অমগী মতুং ইন্না সমুদ্র মনুংদা চেনবা অকনবা ঈচেল অমা গল্ফ ওফ মেক্সিকোদগী হৌরগা ফ্লোরিদা অমদি নোর্থ এটলান্টিক মায়কৈ পাংখি। সেকন্দ অমদা মিটর ২.৬, পুংদনা মাইল ৫.৬ য়াঙনা চেনবা ঈচেল অসি সমুদ্রা মনুংদা লৈবা ঈরৈ কনবা তুরেল অমগুম্বনি। ঈশিং মথক্তা লেন্দিং তৌরকপা অপীকপা প্লেনশিং নৎত্রগনা এঞ্জিন য়ারক্তবা হিশিং ঈরৈ অসিনা ইরায়-লায়না চেন্থখিবা ঙম্মী। মসিদা কনাগুম্বনা য়ু এফ ওগা মরী লৈনহন্নবা হোৎনবনি হায়রি।

অতোপ্পা থিওরি অমগী মতুং ইন্না মিথেন ক্লাথ্রেট কৌবা নেচরেল গ্যেস মখল অমনা ঈশিং মথক্তা কেঙ্গোল কাহল্লক্তুনা অপীকপা জহাজ অমদি হি কয়া লূপহনখিবা শোয়দনা ওইগনি হায়রি। মতৌ অসুম্না থাজবা অমসুং থাজদবা মীওই কাঙলূপ অনীনা বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলগী মরমদা য়েৎনদুনা লাকখিবা তারবসু ট্রাইএঙ্গল অসি অঙকপা অমা ওইনা অদুমক লৌনরি।

মসিনা ইথিল পীদুনা বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলদা য়ুম্ফম ওইবা ঈশৈ, ৱারী অমদি ফিল্ম কয়া মথং-মথং পুথোক্লরকখি। মমিং পনবা য়াবা ফিল্মশিংদি “সটান’স ট্রাইএঙ্গল”, “বর্মুদা ট্রাইএঙ্গল”, “দ ট্রাইএঙ্গল” অমসুং টেলিভিজন সেরিয়ল কয়ানি।

Title : PARROT ([illegible])



K. Prishiya Devi
Class :II , Sec., Roll: 9
Success School
[illegible]

Title : SCENERY ([illegible])



Brahmacharimayum Nimi Chanu
Class : V, Sec. :, Roll:25
Ahanthem Tomba Upper Primary School
[illegible]

Title : SCENERY ([illegible])



L. Harison
Class : VI, Sec. A:, Roll:25
Maria Montensori School
[illegible]

Title : CAR ([illegible])





Diamondraj Pukhrambam
Class : III, Sec.: A, Roll: 28
Langjing DONBOSCO
[illegible]

Title : SNOWMAN ([illegible])



Honey Laishram
Class IV: , Sec.A Roll: 8
Regular English High School
[illegible]

Title : FLAG ([illegible])





Elina Ningthoujam
Class : VI Sec.C: Roll: 11
[illegible]

Title : SCENERY ([illegible])





Jolika Huirem
Class : IV, Sec.A: Roll:
K.V. Akampat
[illegible]

Title : SCENERY ([illegible])





Lanchenbi E
Class IV: , Sec.B Roll: 40
R.K.S.D.V
[illegible]

Title : POKEMON ([illegible])



Lanleiba Sinam
Class : III, Sec.:A Roll: 12
Ramakrishna Mission School
[illegible]

Title : HUNGER MARCHES DAY ([illegible])



Longjam Lucky Singh
Class : VI, Sec.B:, Roll: 11
[illegible]

Title : DRAGONITE ([illegible])



Maibam Supam
Class :IV , Sec.:A , Roll:
Ramakrishna Mission School
[illegible]

Title : SCENERY ([illegible])





N. Alinda Devi
Class : IV, Sec.: , Roll:17
Ahanthem Tomba Upper Primary School
[illegible]

Title : SCENERY ([illegible])



P. Tomthinnganba
Class :IV, Sec., Roll: 55
ST. Peter High School
[illegible]

Title : POKEMON ([illegible])





Pheedam Sinam
Class :KG, Sec.D: Roll:68
Kids Foundation
[illegible]

Title : A PRINCESS ([illegible])



Kangabam Priyamka
Class : V, Sec.A: Roll:2
Success School
[illegible]

Title : SCENERY ([illegible])





Rajkumar Mahendra Singh
Class: IV , Sec. : Roll:
Kids Foundation
[illegible]

Title : HUNGER MARCHES DAY ([illegible])



S. Manshi Chanu
Class : VI, Sec.:, Roll:
Little Flower School
[illegible]

Title : HUNGER MARCHES DAY ([illegible])



Sagolsem Dyna Devi
Class : VI, Sec. : , Roll:
Little Flower School
[illegible]

[illegible]



সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি

রোবোটনা সেটলাইট শেন্নবা

অনৌবা মতমগা চুনবা মওংদা ইনফোর্মেশন টেক্নো-লোজি অমদি ইন্দষ্ট্রিয়ল সেক্টর চাওখৎহন্নবগীদমক স্পেস টেক্নোলোজি খুমাঙ চাউশিনহনবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাই ফদে। মফম অমগা অতোপ্পা মফম অমগা ঈ-পাউ ফাওনবা, টি ভি রিপোর্টিং, গাড়িশিংদা য়াওবা সেটলাইট নেভিগেশন সিষ্টম, নোং-চীংগী ফীভম মাঙজৌননা খঙদোকপা, ইমর্জেন্সি মেপ্পিং অমদি আর্থকী সিষ্টম খঙনবা হোৎনবদা স্পেস টেক্নোলোজিগী মপাল তাংদবা য়াদে। ইশম শন্না হায়রবদা স্পেস টেক্নো-লোজিনা মীওইবা খুন্নাই চাউখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। স্পেস টেক্নোলোজিবু লম য়ৌনা চাওখৎহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা সেটলাইট কয়া থাগৎনরি। অসিগুম্বা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না লাক্কদৌরিবা চহী খরগী মনুংদা দোইট্স ওর্বিটেল সর্ভিসিং মিশন হায়না খঙনবা জর্মনিগী থৌরাং অমগী মখাদা মী য়াওদ্রবসু সেটলাইটশিং থাগৎপা, শেন্নবা, য়ারক্ত্রগা শেমজিনবা অমদি থাউ হানবনচিংবা অরুবা থৌদাং পুন্নমক রোবোটনা লৌগদৌরি। হৌজিক্তি সেটলাইট অমবু শুন্দ্রংদা য়ারক্তবা মতমদা হান্নগী মতৌগুম থুগাইদুনা অরেম্বদা মাঙহনবা তৌদ্রবসু রোবোটনা শেমজিল্লগা অদুমক ফজনা মথৌ তৌহনবা য়ারগনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা জর্মনিনা ওটোমেশন অমদি রোবোটিককী লমদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্নবা মখল কয়াগী টেক্নোলোজি শেমগৎপা হৌরে। লাক্কদৌরিবা চহীশিংদা শুন্দ্রংদা পায়খৎকদবা স্পেস এক্টিভিটিশিংদা ওটোমেশন অমদি রোবোটিক (এ এন্দ আর) হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা শোজৈ অমগুম লৌনরক্লগনি। জর্মনিগী অনৌবা প্রোজেক্ট অদুগী মখাদা সেটিলাইট অনী দিজাইন তৌগদৌরি।

সেটলাইট অমা য়ারক্তবা মতমদা অতোপ্পা সেটলাইট অমদুনা কোয়তান তান্নদুনা ফারগা য়াদবা শরুক অদু শেমজিল্লবা মতুংদা অমুক হন্না মশাগী ওর্বিটতা থাদোকখিগনি হায়রি। করিগুম্বা সেটলাইট অদু শেমজিনবা শুকয়া য়াররোইদবা ওইরগনা মালেম (আর্থ) গী ঈশিং নুংশিৎকী কুয়োম এটমোসফেয়র মনুংদা পুশিল্লগা খুদোংথিবা অমত্তা থোকহন্দনা থুগায়খিগনি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি শুন্দ্রংদা য়ারক্তবা সেটলাইট অমবু কমদৌনা ফাজিনগদগে হায়বগী চাংয়েংদা মায় পাকপা ঙমদ্রিবা মরম্না অতোপ্পা হেন্না ফবা পান্থে অমা পুথোক্লবা হোৎনরি। চহী অসিগী তশ্বায় চল্লকপা অদুৰাইদদি শুকশোয় শোয়দনা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌবা ঙল্লগনি হায়না থাজনরি।

[illegible]

[illegible]	[illegible]				[illegible]			
							[illegible]	
								[illegible]
	[illegible]	[illegible]	[illegible]					
							[illegible]	
				[illegible]	[illegible]			
[illegible]								
						[illegible]		

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]



পিজা শেম্বা

চঙগদ্দবা পোৎচঙ :

- লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং কপ অমা মখায়
- অকংবা য়ীষ্ট (কামখৎনবা) মকুপ চামচ অনী মখায়
- য়াম কপ অহুম মখায়
- ওলিভ ওইল চামচ অচৌবা অনী
- থুম চামচ মচা অনী
- চিনি চামচ মচা অমা
- চীজ খরা
- পানা শোইরবা চেঙ্গুম খরা
- মখোক অমদি মরূ লৌতোক্লগা পানা শোইরবা বেল পেপর
- ঙৌথোক্লবা শা মচেৎ-মচেৎ
- মনম নুংশিনবা তুলশিগুম্বা মনা খরা
- পানা শোইরবা তীলহৌ খরা
- পানা শোইরবা ওকশা

শেম শাবগী মওং :

- ইলেক্ট্রিক মিক্সর অমদা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংগা য়ীষ্টকা মিনিট ৫ রোম উংদুনা তোৎলবা
- মিক্সরদা মিক্সিং পেদল অমা এটেচ তৌরবা মতুঙদা ওলিভ ওইল, য়াম, থুম অমদি চিনি হাপচিল্লগা য়াম্না তপ্পা-তপ্পা উংবা। মথঙদা মিক্সিং পেদল অদু লৌথোক্লগা থাও (তোৎলবা মচলশিং) হূক অমনা মহুৎ শিঞ্জিনবা মিক্সর অমদি দাও হূক শীজিন্নদুনা তোৎলবা পোৎলমশিং অদু মওং মরিল তানা শেম্বা। পেৎমল্লবদি য়াম খজিক্তং চাইশিনবদা অকায়বা লৈতে।
- মথঙদা ওলিভ ওইল পানা তৈরবা বাউল অমদা হাপ্লগা মথক-মখা ওনবীগনি অমসুং প্লাষ্টিককী ময়োম অমনা য়োমশিল্লগা পুং ১ গুম্বা ওভনদা হাপ্তুনা তপ্পা-তপ্পা মৈশা ফঙহনগনি।
- প্লাষ্টিক্কী ময়োম লৌথোক্লগা অমুক হন্না অপা-অথা মওঙ-মরী তানা শেম্বীগনি।
- মথঙদা টোমেটো সোস অমদি চীজ খরা অমসুং পানা শোইরবা চেঙ্গুম মশোই অমা অনীনা মথক্তা কূপশিনবীরগা মপূং ফারবা পিজা অমা ওইহনবীবা য়ারে।